*যুক্রেন ৱার:*

# কিভনা মরু ওইবা সিটি খের্সোন অমুক হন্না লৌশিনখ্রে

কিভ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

রসিয়ানা যুক্রেনগী খা থংবা মরু ওইবা সিটি খের্সোনদা লৈরিবা ট্রুপশিং মপুং ফানা ৱিদ্রো তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা যুক্রেনগী লান মীশিং সিটি অসিগী হরাও তয়াম্না মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

ভিদিও পোষ্টশিংদা খের্সোনগী লম্বীশিংদা মীয়াম্না যুক্রেনগী নেসনেল ফ্লেগ হাইদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা অমদি সিটি অসিদা থুংলখিবা কিভকী ট্রুপশিংবু তরাম্না ওকপগী শক্তমশিং উবা ফংই। যুক্রেনিয়ন খরনা অহিং চুপ্পা পাঙথোকখিবা অচৌবা কেম্প ফায়রগী অকোয়বদা লৈবাক নিংবগী ঈশৈ শকপা উখি।

খের্সোন অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা লান্দাখিবা মতুংদা রসিয়ানা পায়শিনখিবা অমত্তা ঙাইরবা রিজনেল কেপিটেলনি। রসিয়ন ট্রুপশিং সিটি অসিদগী হন্দোকখিবা অসি লান অদুদা রসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা মায়থীবশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি।

মোস্কোনা হায়রি, মদুদি খের্সোনদগী পর্সনেল ৩০,০০০ অমদি মিলিটরি হার্দৱায়র, খুৎলায় অমদি অতৈ এসেটশিংগী পিছ ৫০০০ লোম লৌথোক্লে। যুক্রেননা মরু ওইবা সিটি খের্সোন অমুক হন্না পায়শিনখিবা অদুবু হ্বাইট হাউসনা থাগৎলদুনা মদু শীংথানিংঙাই ওইবা মায় পাকপা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।




অমরোমদা, যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা খোঙথাং অদুবু পুৱারীদা লৈহৌরগদবা নুমিৎ অমনি হায়খ্রে। চৈরকসিদা, যুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টরনা লান লেপ্পা লৈত্রি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়াগী লৈবাকশিংগী সম্মিট অমগী নাকোয়ননা কম্বোদিয়াদা ৱা ঙাঙখিবা দমিট্রো কুলেবানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না গ্রাউন্দগী লানফমশিংদা মায় পাকপা ঙম্লক্লি। তৌইগুম্বসুং লান অদু লেপ্পা লৈত্রি। যুক্রেনিয়নশিংগী মায়কৈদগী লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী অপদেট অমগী মতুং ইন্না ট্রুপশিং দনিপ্রো তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্ব্বান ফাওবা চঙশিনখি। তুরেল অদুগী মরু ওইবা ক্রোসিং এন্টোনিপসকী ব্রিদজ মচেৎ অমা নিংখায়বগী ইমেজ খরসু সোসল মেদিয়াদা থাগৎনবা উখি। তৌইগুম্বসুং থোং অদু কয়াম্না অকায় অতোই থোক্লবগে হায়বদুদি চপ চানা উবা ফঙখিদে।

খের্সোন পায়শিল্লম্বা রসিয়ন ট্রুপশিং তুরেল অদুগী নোংপোক থংবা নাকলদা ফিভম শেমদুনা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। যুক্রেনিয়ন ট্রুপশিং অমুক হন্না খের্সোনদা চঙলকখিবদা হরাও তয়াম্লবা মীওই কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা ঈশৈ শক্লখি অমদি জগোয় শানখি। সিটি অসিগী রেসিদেন্ট অলেক্সি সন্দাকোবনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক খের্সোন নিংতম্লে। সিটি অসিবু অমুক হন্না রসিয়নশিংদগী মুনবা ঙম্বা অসিদা মীপুম খুদিংমক হরাওমনবদগী ঙসি অয়ুক্তগী কপ্লবা ফাওবা য়াওরি। মীপুম খুদিংমক্না সিটি অসিদা থুংলরিবা যুক্রেনিয়ন লান্মীশিংবু কোনবা পামখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

যুক্রেনিয়ন লান্মীশিংনা হৌখিবা থা খরা অসিদা শাথিরবা কাউন্টর ওফেন্সিব চথুবদগী সিটি অসিগী কন্ত্রোলদা অহোংবা অসি লাক্লিবনি। কাউন্টর ওফেন্সিব অদুদা খের্সোনগা নক্নবা সেটলমেন্ট ৪১ অমুক হন্না পায়শিল্লে হায়না কিভনা লাউথোকখিবনি। মহৌশাগুম নুমিদাংগী মতমদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখিবা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা খের্সোনগী মীয়াম্না অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি ঙাইদুনা লাক্লি অমসুং সিটি অসিগী মীয়াম্না যুক্রেনবু অমুক্তা নিংবা কায়হনবা লৈতে হায়খি।

প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়খি, মদুদি সিটি অসিগী মীয়াম্না রসিয়ন ওক্যুপায়রশিংগী সিম্বোলশিং য়াওনা লম্বীশিংদা মখোয়গী ওইবা পোৎশক অমত্তা তাহন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লি।

চৈরকসিদা, রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী স্পোক্সমেন অমনা সিটি অদুদগী রসিয়ন ট্রুপশিং হন্দোক্লিবদু মায়থীবা অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

স্পোক্সমেন অসিনা হায়, দনিপর তুরেলগী য়েৎ থংবা তোর্ব্বানদা মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট অমদি খুৎলায় পিছ অমা ফাওবা থাদোক্লম্বা লৈতে। ৱিদ্রো তৌবগী প্রোসেস অদুদা পর্সনেলশিং শীবা খুৎলায় অমদি মিলিটরি ইক্বিপমেন্টগা লোয়ননা অতৈ মচাক মথুমশিং মাঙবনচিংবা অমত্তা থোকখিদে হায়রি।

# ইজরেল্লি সেটলমেন্টশিংগী মায়োক্তা যুএননা পুথোকখিবা রিজোলুসন পলেষ্টাইন্না তরাম্না ওকখ্রে


রমালা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

যুএন জেনরেল এসেম্বলিনা পলেষ্টাইনবু শৌগৎতুনা য়ানখিবা রিজোলুসন মরি পলেষ্টাইননা তরাম্না ওকখ্রে। ইরাই নুমিত্তা পাস তৌখিবা রিজোলুসনশিং অদুদা পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবা ইজরেল্লি সেটলমেন্টশিং ইল্লিগেল ওই হায়বা অমা য়াওরিবনি।

প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা পলে-ষ্টিনিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর রিয়াদ অল-মালিকিনা হায়, রিজোলুসন অদুবু শৌগৎখিবা যুএনগী ভোট অদুবু পলেষ্টাইননা তরাম্না ওকই। হিরম অসিগী মতাংদা মালেম পুম্বনা সপোর্ট পীরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইজরেলনা সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা ঐখোয়গী মীয়ামগী রাইটশিং খোঙ্গাওনরক্লিঙৈ অমদি ইজরেল্লিশিংনা ইন্টরনেসনেল লোবু শীংনরক্লিঙৈ মরক্তা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা খোঙথাং অসি লাকপনি।

অল-মালিকিনা মখা তানা হায়, ৱারেপশিং অসিনা পলেষ্টিনিয়ন মীয়ামগী লিজিটিমেট রাইটশিং মালেম পুম্বনা য়াই হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলে। পলেষ্টিনিয়নশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা রাইটতি মরোমদোম লেপচবগী রাইট অমসুং পলেষ্টিনিয়ন রিফ্যুজিশিং মখোয়গী ময়ুমদা অমুক হনবা য়াবগী রাইট অসিনি।




ইরাই নুমিত্তা যুএন জেনরেল এসেম্বলি ফোর্থ কম্মিটিনা ইজরেল্লি-পলেষ্টিনিয়ন ইস্যুশিংগী মতাংদা রিজোলুসন মরি পাস তৌখি। রিজোলুসন অনীনা যুএন রিলিফ এন্দ ৱার্টচ এজেন্সি ফোর পলেষ্টাইন রিফ্যুজিস (যু এন আর দব্লিয়ু এ) গী মেন্দেন্ট শাংদোকপগা লোয়ননা পলেষ্টিনিয়ন রিফ্যুজিশিংদা মতেং পীবগী ৱাফম শৌগৎখি।

অতৈ রিজোলুসন অনী অদুনা ওক্যুপাইদ ইষ্ট জেরুসালেম অমসুং সিরিয়াগী ওক্যুপাইদ গোলান য়াওনা ইজরেল্লিশিংনা ওক্যুপাইদ টেরিটরিদা পলেষ্টিনিয়ন রিফ্যুজিশিংগী প্রোপর্টি অমদি মখোয়গী রেভিন্যু ঙাক শেনবগী ৱাফম শৌগৎখি।

পলেষ্টিনিয়নশিংনা কুমজা ১৯৬৭ তা ইজরেলনা খুদুম চনখিবা টেরিটরিশিং পুল্লগা নিংতম্বা পলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা লিংবা পাম্লিবনি। মখোয়না নিংতম্বা পাম্লিবা পলেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অদুদা য়াওগদবা মফমশিংগী ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ক, গাজা ষ্ট্রিপ অমদি কেপিটেল ওইনা ইষ্ট জেরুসালেমনি।

# দিফেমেসন কেসকী প্রোসিদিং ষ্টে তৌবীনবা সেহবাজনা থাখিবা প্লি যুকেগী কোর্টনা য়াখিদ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

যুকেগী হায় কোর্টকী জজ অমনা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফ অমসুং মহাক্কী মমাকনুপা ইমরান অলি য়ৌসবতা মখোয়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মেলগী পব্লিসরগী মায়োক্তা থাখিবা দিফেমেসন সুট অমগী পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা দিফেন্দেন্টদা পাউন্দ ৩০,০০০ গী শেনফম কোস ওইনা পীননবসু ওর্দর তৌখ্রে।



কুমজা ২০১৯ দা পাউচে মেলনা ফোঙখিবা আর্টিকল অমদা সারিফপু মহাক্না পঞ্জাব প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা যুকে গভর্ণমেন্টগী তেঙবাংগী শেল হুরগা লোন্দর তৌখি হায়না মরাল শীখি। এলিগেসন অদুগী মায়োক্তা কুমজা ২০২০ গী সারিফনা দিফেমেসন ক্লেম অমা ফাইল তৌখি। মদুদা মহাক্না মরাল শীবা ৱাফম অদুবু হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা মদুগী কম্পেন্সেসন পীনবা অমদি এপোলোজাইস তৌনবসু তকশিনখি।

চহীসিগী মার্চতা মেলনা সারিফকী দিফেমেসন সুট অদুগী লমায় ৫০ পানবা রেস্পোন্স অমা সম্মিট তৌখি। হৌখিবা নবেম্বর ৯ দা কিংস বেন্স দিভিজনগী জষ্টিস নিক্লিননা ইস্যু তৌখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না সারিফ অমসুং য়ুসুফনা দিফেমেসন সুট অদুগী প্রোসিদিংস ষ্টে তৌবীনবা ওর্দর অমা ফোঙনবা হায়জবদা কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌখি।

মহাক্কী ৱাফম অদুবু য়াবগী মহুত্তা কোর্টনা ক্লেমেন্ট অনীনা পাউচে অদুনা পীরিবা দিফেন্সকী পাউখুম পীনবা খঙহনবগা লোয়ননা ষ্টে এপ্লিকেসনগী মতাংদা পাউচে অসিনা মমাঙদা তিংখিবা লিটিগেসনগী কোস পীথোক্নবসু খঙহনখি।

ওর্দর অদুনা হায়রিবদি অহানবা ক্লেমেন্ট (সারিফ) না মতম শাংদোক্নবা তকশিল্লিবা প্রোসেস অদুগী কোস য়াওনা মহাক্কী ওরিজিনেল রিপ্লাই ষ্টে তৌবদা দিফেন্দেন্টনা তিংলিবা শেনফমশিং পীগদবনি। সারিফপু নবেম্বর ২৩ ফাওবগী মনুংদা দিফেন্দেন্টদা পাউন্দ ৩০,০০০০ গী শেনফম অসি পীনবা ওর্দর তৌখি। সারিফ অমসুং মহাক্কী মমাকনুপানা পাউচে মেলনা পীরিবা দিফেন্সকী এমেন্দেন্ট পাউখুমশিং ফাইল তৌগদবনি হায়নসু কোর্টনা ওর্দর অদুদা পনখি।

# ইরাক্কি ফোর্সশিংনা আই এস মিলিটেন্ট মঙা হাৎখ্রে

বাঘদাদ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

ইরাক্কি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী সলাহুদ্দিন প্রোভিন্সতা আই এস মিলিটেন্ট মঙা হাৎখ্রে অমসুং অতৈ অহুম ফাগৎখ্রে হায়না ইরাক্কি মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

ইরাক্কি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিৎতা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখিবদা ইরাক্কি ৱার প্লেনশিংনা প্রোভিন্স অদুগী আই এস পোজিসন অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চথুখি। মদুদা টেররিষ্ট মঙা শিখি। মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা প্রোভিন্সিএল সেক্যুরিটি ছোর্স অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি এয়র ষ্ট্রাইক অদু প্রোভিন্স অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্কী টুলস খুরমাটো এরিয়াদা লৈবা আই এসকী লোৎফম অমদা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবনি।

চৈরকসিদা ইরাক্কি জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দগী মেদিয়া ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়রি, মদুদি ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ইন্টলিজেন্স ফোর্স অমনা ইরাক্কি কেপিটেল বাঘদাদকী অৱাংলোমদা কিমি ৩০ রোম লাপ্না লৈরিবা প্রোভিন্স অদুগী টার্মিয়া এরিয়াদা আই এস মিলিটেন্টনি চিংনবা মীওই অহুম ফাখি।

দিটেনিশিং অদুনা কুমজা ২০২১ অমসুং ২০২২ গী মরক্তা মখোয়না টার্মিয়াদা সিভিলিয়ন অহুম হাৎখি হায়না ফোঙদোকচরকখি। লোয়ননা মখোয়না ইরাক্কি ফোর্সশিংগী মরক্তা বোমগী এটেক কয়া চথুখি হায়নসু ফোঙদোকচখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরাক্কি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়গী এক্তিভিটিশিং পুনশিল্লদুনা এক্সট্রিমিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা ওপরেসন চথুখি।

কুমজা ২০১৭ দা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থীবা পীখিবদগী ইরাক্কি সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখি। অদুম ওইনমক গ্রুপ অসিগী লেমহৌরিবা মীওই খরা অর্বান সেন্টরশিং, লৈকংলাশিং অমদি চীং মাননচিংবদা লৈশিন্দুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংগী মায়োক্তা তোইনা গুরিলা এটেকশিং চথুরকখিবনি।

# 'ইমরান খানবু হাৎতোক্নবা হোৎনখিবা মীওই অমখক্কী থবক্নি, লৌতুনবা নত্তে'

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু হাৎনবা হোৎনখিবগী মতাংদা ফেদরেল গভর্ণমেন্টতা সম্মিট তৌখিবা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা লৌতুনবগী থৌওং অমত্তা চেন্নখিদে অমদি মদু মীওই অমখক্না থৌরাং তৌদুনা মশামক্না চথুখিবা এটেকনি হায়না মেদিয়া আউটলেট অমগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, পিষ্টোলদগী নোংমৈ মরু খরা কাপথোকখিবা মতুংদা রেল্লি অদুদা সেক্যুরিটিগীদমক্তা দিপ্লোই তৌখিবা মশক খঙদবা খরনা এস এম জি কাপখি। হৌজিক ফাওবদা এটেক্কর অদুগা থবক তৌমিন্নবা অতোপ্পা মীওই অমত্তা খঙবা ঙমদ্রি। পোষ্ট মোর্টেমগী মতাংদা রিপোর্ট অদুনা হায়, এটেক অদুদা শিখিবা অমত্তা ঙাইরবা মীওই অদুগী মকোক্তা শোক্লিবদু রাইফলগী প্রোজেক্টাইল অমনা থোকহনবা মাল্লি। মদু ৩০ বোর নত্ত্রগা ৯ এম এম পিষ্টোলনা কাপ্পদগী নত্তে।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি সিআইগী ফোরেন্সিক টিমগী মতুং ইন্না নোংমৈ মরু নিপান কন্টেন্নর-টোপতা পানখি, মখুল তরুক ফঙখি। মরু অনীনা কন্টেন্নরদগী ৱালগী নাকলদা খেৎলগা চৎখি।



এটেক্কর অমনা পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গী চীফ অমসুং অতৈ লিদরশিং পুরিবা কন্টেন্নর অদুদা নোংমৈনা কাপখি। এটেক অদুদা ইমরান খান য়াওনা মীওই ১৩ অশোক অপন নঙখি। মীওই অমদি মফম অদুদা শিখি।

এটেক্কর মোহমদ নবি থৌদোক থোকফম অদুদা ফাখি। হৌজিক ফাওবদা ফঙলিবা ইনফোর্মেসনদা য়ুম্ফম ওইবা এসেসমেন্টগী মতুং ইন্না মহাক মশামক্না থৌরাং তৌজরগা নুমিত্তুগী এটেক অদু চথুখিবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ৱাহং পাউহংদা এটেক্কর অসিনা ইমরান খানদা মহাক্না টার্গেট তৌরিবদু লাইনিং লাইশোনগী ওইবা অরানবা ৱাখল্লোনশিংগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকচখি। লোয়ননা মহাক্না তৌখিবা থবক্তুগীদমক্তা মঙোন্দা নিঙমদবসু লৈতে হায়খি। মঙোন্দা অতৈ মীওইশিংনা কায়হৌরকখিবসু অমত্তা লৈতে হায়নসু মীওই অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরোগেটরশিংগী মতুং ইন্না ফারবা মতুংদা অমদি ইন্টরোগেসন মতুংদা উৎখিবা মহাক্কী থৌওং অদু ইমান মান্নখি। মহাক্না এটেক অদুগী মতাংদা নিঙমদবগী মতৌ অমত্তা উৎখিদে। হৌজিকসু করিগুম্বা মহাকপু থাদোকপা তারবদি ইমরান খানবু মহাক্না শোয়দনা হাৎকনি হায়না মীওই অসিনা ক্লেম তৌরি। এটেক্কর অসি ওটোমেটিক নাইন এম এম পিষ্টোল অমা পায়খিবনি। মহাক্না কন্টেন্নর অদু তম্না নোংমৈ কাপশিনবগা লোয়ননা এটেক অদুদা অয়াওবা নোংমৈ মরু পুম্নমক অমুক্কী খুৎকাপতা পায়থোকহনখি। এটেক্কর অসি চহী ৮ সাউদি অরাবিয়াদা লৈরুরবা মতুংদা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা পাকিস্থানদা হল্লকখিবনি।

# ট্রম্পনা সবপিনাগা মরী লৈননা হাউস পেনেলগী মায়োক্তা সু তৌখ্রে

ৱাশিংতন, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওটকী মতাংদা থিজিল্লিবা হাউস সেলেক্ট কম্মিটিগী মায়োক্তা যুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা লো সুট অমা ফাইল তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লো সুট অদুগী খুথাংদা ট্রম্পনা মহাক্কী ৱারোল পীনবা খঙহন্দুনা ইস্যু তৌরকখিবা সবপিনা অমা চৎনহন্দনবা তকশিনখি। ট্রম্পকী উকিলশিংনা মখোয়গী আর্গুমেন্টদা হায়খি, মদুদি হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি টেষ্টিমোনিএল ইম্যুনিটি মপুং ফানা লৈ। লোয়ননা হাউস পেনেল কম্মিটি অসি অসিগুম্বা সবপিনা ইস্যু তৌনবগী কন্সটিট্যুস্নেল ওথোরিটি মতিক চানা লৈতে হায়নসু মখোয়না আর্গুমেন্ট অদুদা পনখি।

হৌখিবা থাদা ট্রম্পদা ইস্যু তৌখিবা সবপিনা অদুনা খঙহল্লিবদি মহাক্না নবেম্বর ৪ ফাওবগী মনুংদা হাউস পেনেলদা দোক্যুমেন্টশিং পুথোকপগা লোয়ননা নবেম্বর ১৪ গী মনুংদা মহাক্কী ৱারোল পীনবা কম্মিটিদা লাক্কদবনি।

পনবা য়াবদি, ট্রম্পনা কম্মিটি অমদি দিমোক্রেট তরেৎ অমসুং রিপব্লিকান অনী য়াওবা মসিগী মেম্বরশিংবু হঞ্জিন হঞ্জিন চৈথাংখ্রবনি। কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা মশিং য়াম্লবা ট্রম্পকী সপোর্টরশিংনা ৱাশিংতন দিসিদা লৈবা কেপিটোলদা থমজিনখি অমসুং মখোয়না কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী রিজল্টশিং কনফার্ম তৌনবগীদমক্তা চথুখিবা কংগ্রেসকী জোইন্ট সেসন অমদা অয়েৎ অপন পীখি।

থৌদোক অদুদা মহাক্কী সপোর্টরশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনখিবা পুলিস ওফিসর ১৪০ রোম অশোক অপন নঙখি। রাইওট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখি হায়না ওথোরিটিশিংনা লাউথোরকখি। মদু চহী ২০০ হেনবগী মনুংদা কংগ্রেসতা চথুখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেক ওইখি। মদুনা মরম ওইদুনা ট্রম্পকী টার্ম ওফিসল ওইনা লোইশিনগদবা কুইরক্ত্রবা মতমদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবনা মহাকপু অনীরকশুবা ওইনা ইনপিছ তৌখি।

# ইরানদা এন্টি হিজাব প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা শিখিবা মীওই মশিং ৩২৬ শুরে : এন জি ও

পেরিস, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

ইরানদা পুলিস কষ্টদিদা মহাসা অমেনি কৌবী নুপী অমা শিখিবদগী লৈবাক শীন থুংনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২৬ হাৎখ্রে হায়না ইরান হ্যুমেন রাইটসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী নুপীশিংগী ওইবা অকনবা ফিজেৎ চাকচেৎকী কাঙলোন থুগায়বগীদমক্তা ফাখিবা অমেনি নুমিৎ হুম্নি লৈরগা সেপ্টেম্বর ১৬ তা শিখিবদগী ইস্লামিক রিপব্লিক অসি শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চথুরকখি। নুপীশিংগী ফিজেৎ চাকচেৎকী রুলশিংবু য়ানিংদবা উৎতুনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু কুমজা ১৯৭৯ গী রিভোলুসনগী মতমদগী ইরানদা পাল্লকখিবা থিওক্রেসিগী মায়োক্তা চথুবা অচৌবা ঈহৌ অমা ওল্লকখি।

ওস্লোদা বেজ তৌবা আই ঐচ আরনা মসিগী ৱেব সাইটতা থাগৎপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, লৈবাক শীন থুংনা চথুরিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদা হৌজিক ফাওবা অঙাং ৪৩ অমসুং নুপী ২৫ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২৬ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে। প্রোটেষ্টশিং অদুদা শিখিবশিংগী ইনৌ নৌবা মশিং অসি রাইটস গ্রুপ অসিনা নবেম্বর ৫ দা মমাঙগী মশিং ফোঙখিবদগী ২২ হেনগৎলকখি।




অশিবশিংগী মশিং অসিদা ইরানগী পাকিষ্টানগা তাইনবা খা নোংপোক থংবা বোর্দরদা লৈবা সিষ্টান-বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতা শিখিবা মীওই ১২৩ য়াওরি। মশিং অসিসু আই ঐচ আরগী মমাঙগী ফিগর ১১৮ দগী হেনগৎলকপনি। শিরিবশিং অসি অয়াম্বনা সেপ্টেম্বর ৩০ দা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎখিবশিংনি।

সিষ্টান-বেলোচিষ্টানগী কেপিটেল জাহেদানদা ইরাই নুমিৎকী লাইশোল লোইরবা মতুংদা চথুখিবা মীহাৎ অদুবু এক্তিভিষ্টশিংনা 'ব্লদি ফ্রাইদে' হায়না কৌখি। প্রোটেষ্টশিং অদু চহী ১৫ দা শুরিবা নুপীমচা অমা প্রোভিন্স অদুগী পোর্ট সিটি চাবহরদা পুলিস কম্মান্দর অমনা কষ্টদিদা রেইদ তৌখিবদগী থোরকখিবনি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি, মদুদি প্রোভিন্স অসিগী মীওইশিং অমেনি শিখিবদগী থোরকখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুনা ইনোৎ হাপখি। নুপীশিংগী রাইটশিংগী ৱাহৌদগী চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিং ওইরবসু মতুং তাবদা মদুদা অতৈ পেন্দবশিংসু য়াওরকখি। আই ঐচ আরগী দিরেক্তর মহমুদ অমেরি-মোগাদামনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কেম্পেইন অদু য়ারিমখৈ থুনা লেপহন্নবগী থবক পায়খৎনবা আপিল তৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা মহাক্না হায়, যুএননা ইন্টরনেসনেল ইনভেষ্টিগেসন অমসুং একাউন্টেবিলিটি মেকানিজম অমা লিংবনা তুংদা চেন্নবা মীওইশিংবু মখোয়গী থবকশিং অদুগী থৌদাং লৌহনবগী প্রোসেস খুদোংচাহনবগা লোয়ননা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা চথুরিবা মীয়াম্বু নমথবগী থৌওংশিং লেপহনবদা মতেং পাঙগনি। অতোপ্পা রাইটস গ্রুপ এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলনসু অসিগুম্বা মেকানিজম অমা পুথোক্নবা তকশিনখ্রে।

# ইটালিনা বিজিনেসশিং অমদি ইমুংশিংগীদমক্তা এইদ পেকেজ লাউথোকখ্রে

রোম, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

ইনর্জিগী মমল লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপদা বিজিনেসশিং অমদি অৱাবা নঙলবা ইমুংশিংনা মদুবু থেংনবদা মতেং ওইনবগীদমক্তা ইটালিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়ুরো বিলিয়ন ৯.১ গী পেকেজ লাউথোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা প্লান্ট অদু লাউথোক্লদুনা পিএম জিওরজিয়া মেলোনিনা হায়খি, মদুদি ইনজিগী বিলশিং ৱাংলকপদগী মথৌ তারক্লিবশিং অদুদা থৌরাং অদুনা খুদক্তা রেস্পোন্স পীগনি।

ইটালিগী নেসনেল ষ্টেটিষ্টিক্স ইন্সটিট্যুট (আই এস টি এ টি) গী প্রোভিজনেল দেটাগী মতুং ইন্না ওক্তোবরদা লৈখিবা লৈবাক অসিগী ইনর্জিগী মমলশিং অদু মমাঙগী চহীগী মান্নবা মতমদা লৈখিবা মমলশিং অদুদগী চাদা ৭৩.২ হেনগৎখি।

রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী লান হৌখিবা মতুং ফেব্রুৱারীদা মালেমগী ইনর্জিগী মমলশিং ৱাংখৎপা হৌখি। লান অদুগা লোয়ননা রসিয়ানা ইটালি য়াওনা যুরোপিয়ন যুনিয়নগী মেম্বর ষ্টেটশিংদা নেচরেল গ্যাস সপ্লাই তৌবা হন্থখি। ইটালিগী অপুনবা ইনর্জি কঞ্জ্যুমসনগী শরুক মরি থোকপগী অহুম ইনর্জি ইম্পোর্টশিংগী মপান তাংবনা লৈবাক অসি মরু ওইনা ইনর্জিগী মমলশিং হেনগৎলকপদা মহৌশানা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখি। যুক্রেনগী লানগী মমাঙদা রসিয়া অসি ইটালিগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাওবা ইনর্জি সপ্লায়র ওইদুনা লৈবাক অসিনা শীজিন্নরিবা অপুনবা নেচরেল গ্যাসকী চাদা ৪০ ফাওবা রসিয়ানা সপ্লাই তৌখি।

হৌজিক্তি ফিগর অসি চাদা ১৫ দা হন্থরকপগা লোয়ননা মখা তানা লেপ্তুনা হন্থরি। ইটালিনা হৌজিক পুথোক্লিবা নেচরেল গ্যাসকী চাং অসি লৈবাক অসিগী মথৌ তারিবা চাংগী চাদা ৫ দনি।

নৌনা লৈঙাক পায়রক্লিবা মেলোনি গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লিবা অনৌবা লেজিসলেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অনৌবা এইদ পেকেজ অদু মমাঙগী মারিও দ্রাগিগী গভর্ণমেন্টনা মান্নবা এইদ পেকেজশিং পরিং নাইনা পুথোকখিবা মতুংদা পুথোরকপনি।

# 'কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা স্বিদেননা ক্লাইমেট গোলশিং ফঙবা ঙম্বা য়াই'

ষ্টোকহোল্ম, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

স্বিদেননা কন্না হোৎনরবদি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ক্লাইমেট গোলশিং ফঙবা ঙম্বা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ইলিসাবেদ সবান্টেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা স্বিদিস পাউচে ভেন্সকা দাকল্লাদেট (এস বি দি) দা হায়খি, মদুদি এচিব তৌবা খরা ৱাগদবা ওইরবসু ঐখোয়গী পান্দমদি ইমিশনশিং ১৯৯০ দা লৈখিবা চাংদগী ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা চাদা ৬৩ হন্থহনবা অসিনি।

ট্রান্সপোর্টেসনগী ওইনদি দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং য়াওদনা হন্থবগী চাং অদু কুমজা ২০১০ গা চাংদম্নবদা কুমজা ২০৩০ দা চাদা ৭০ ওইগদবনি হায়না স্বিদিষ্ট টেলিভিজন (এসবিটি) গী রিপোর্টতা পনখি। অদুম ওইনমক লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা ফ্যুলশিংগী মমলশিং হন্থনবা অনৌবা গভর্ণমেন্টনা ২০২৪ গী জনুৱারীদগী পেত্রোল অমসুং দিজলদা বাইও ফ্যুএল শিং য়ানশিনবগী চাং যুরোপিয়ন যুনিয়ন্না পীরিবা মিনিমমগী চাং অদুদা হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

মসিনা ইমিশনগী চাং চাদা ১০ ফাওবা হেনগৎহন্দুনা স্বিদেননা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মসিগী ক্লাইমেট গোল ফঙবা ঙমদবসু য়াই হায়রি। অনৌবা গভর্ণমেন্টনা চয়োল অসিগী অঙনবদা বজেট পুথোকখিবদা ক্লাইমেট টার্গেট ১৯ গী মনুংদা ৬ তি ফঙবা ঙম্লোই হায়খি।

মদুগী মরম ওইদুনা চহী তরাগী মতমদা অনৌবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মথৌ তৌবা ঙম্লোইদবা অসিনি হায়না সবান্টেসন্না এসবিটিদা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মিনিষ্টর ফোর ক্লাইমেট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট রোমিনা পোরমোক তারিনা এস বি টিদা ক্লাইমেট টার্গেটশিং ফঙবদা লুনা থোক্কদবা ওইরবসু মদু ওইথোক্তবদি লৈরোই হায়খি।

# ইজরেলগী প্রসিদেন্টনা নেটনয়াহুদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা খঙহল্লগনি

জেরুসালেম, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী):

ওপোজিসন লিদর অমসুং হান্নগী পিএম বেঞ্জামিন নেটনয়াহুদা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী থৌদাং শিন্নরগনি হায়না ইজরেল্লি প্রসিদেন্ট ইসাক হের্জোক্কী ৱারোল পল্লদুনা গভর্ণমেন্টগী প্রেস ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেলগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকখিবা মতুং নুমিৎ তরানিরোম কান্নরগা ৱাফম অসি লাউথোরকপনি। জেনরেল ইলেক্সন অদুদা নেটনয়াহু অমসুং মহাক্কী রাইট ৱিং ব্লোক্না পার্লিয়ামেন্টকী সিট ১২০ গী মনুংদা ৬৪ ফঙদুনা মেজোরিটি ওইখি। নেটনয়াহুদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী থৌদাং শিন্নবগী ওফিসল থৌরম অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ইজরেলদা খ্বাইদগী মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়খিবা নেটনয়াহুনা ওপোজিসনদা চহী অমা লৈখি। লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা মহাক্না অনৌবা গভর্ণমেন্টগী গাইদলাইনশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মিনিষ্টরিএল পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোকপগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগা নিগোসিএসন চথুরগনি।

অনৌবা লোগী মতুং ইন্না মহাক নুমিৎ ২৮ নিগী মনুংদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেমগদবনি। মথৌ তাবগী মতুং ইন্না মতম অসি নুমিৎ ১৪ নি ফাওবা শাংদোকপা য়াই।